# ক্রাইম করিনো

## আর কে খুমন

খুন্নাইদা মীওই পূন্নমক নৎত্রবসু মীওই খরদি হকচিন্না হায়বা ইন্দদুনা ৱায়েল্লোন (লো) না য়াদবা তৌহৈদবা তৌবা য়াওই। মীওইশিং অসিনা হকচিনবা মওংদা হায়বা ইন্দবা তৌহৈদবা তৌবগী থৌদৌ অদুবু ক্রাইমনি হায়না লৌগনি। ক্রাইম হায়বসি খুন্নাই অমগী ওইবা চৎন-পথাপ অমদি ওইরিবা লৈঙাকলোন অদুনা য়ারবা লৈঙাক লিচৎ অদুবু থুগাইবদুনি। মসি লৈঙাকলোনদুনা চৎনরিবা ৱায়েল্লোনগী মতুং ইন্না চৈরাক পীবা য়াই। খুদম ওইনা মিনিষ্টর অমসুং লোইশঙদা ফমজাউ পায়বশিংনা শেঙ্গা থুমজা তৌবা, মীয়ামগী লন থুম হুরানবা, মীগী মপোৎ মরন হুরানবা, মী হাৎপা, দ্রগ য়োনবা, মী ফাদুনা শেলগা মনতিক্লবা, নুপী নহা ফমলানবনচিংবশিং অসি য়াম্না চাউবা ক্রাইমনি। অসিগুম্বা খেন্নবা ক্রাইমগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা চৈরাক লৈ।

অমরোমদা ক্রাইম হায়বসি মখাগী শরুকশিং অসিগুম্না খাইদোকপা য়াই।

(১) হ্বাইট কোল্লর ক্রাইম ঃ ক্রাইম অসি অচৌ-অশাং, য়াইতোং ফমদোংবশিংনা পাঙথোকপা ক্রাইমশিংবু খঙনগনি। মসিগী মনুংদা লৈবাক্কী ওইবা লন-থুম য়াইতোং ফমদোংবশিংনা মান্নরগা অরানবা মওংদা লৌথোকপা, শেঙ্গা থুমজা তৌবা, লান্না পাউ শন্দোকপা, মীনমদুনা শেল লৌবা, কাঙগৎ (টেক্স) থিদনবা হোৎনবা, মশাগী কান্নবগীদমক শেল পীবা, তৌরোইদবা থবক্তু তৌবীগনি হায়দুনা শেল লৌবা পূন্নমকশিংসিগী মনুং চনগনি। ক্রাইম অসিনা লৈবাক খুন্নাইদা অসুক্কী মতিক খুদোংথিবা পী। মসিনা লৈবাক্কী শেনমিৎলোন্দা ফাওবা শোকহন্দুনা মীচম মীয়াম্না ফংজগদবশিং ফংদদুনা অৱাবা মায়োক্নে। মণিপুরদসু অসিগুম্বা মখলগী ক্রাইম অসি মশীং খঙদনা থোকই, মতিক চাবা চৈরাক ফংবদি য়াওদে।

(২) ক্রাইম ৱিদাউট ভিক্তিমস ঃ ক্রাইম মখল অসিনা অতোপ্পগী হকচাং কয়াৎশিংদা অমাং অতা থোকহনবদি নত্তবা মওং অমনি। জ্বার শান্নবা, শেলগীদমক হকচাং য়োন্থোকপা, ৱায়েল্লোন (লো) না য়াদবা দ্রগ শীজিন্নবা, ঙাওচৎনদুনা লৈবা অমদি মীয়াম তিনবা মফমদা য়ু ঙাওবা অসিনচিংবনি। মসিনা মীওইবা খুন্নাইগী ৱাখলদা নুংঙাইহন্দে।

(৩) ওর্গেনাইজ ক্রাইম ঃ মসিগী ক্রাইম মখল অসিদি ময়াম পূনশিন্দুনা হেন্না মশক থোকপা থবক তৌবা ঙম্নবা অদুগা খুদোংথিবা হন্থনবা হোৎনবা ওর্গেনাইজেসনগী কয়াৎ য়াওবা থৌওংনি। অসিগুম্বা মখলগী ক্রাইমশিং অসি চাওখৎলবা অমদি শিনফমদা হেন্না খঙ হৈরবগী অয়ৌবী থাক য়ৌরবা খুন্নাইসিদা য়াম্না মায় পাক্লা চথে। ওর্গেনাইজ ক্রাইমশিংগী মনুংদা হকচাংগী মরুওইবা কয়াৎশিং য়োনবা অমসুং নুপী ফারগা য়োন্থোকপগী অরোনবা অচৌবা খূৎপুলিংবা, জ্বার শান্নফম অচৌবা লিংখৎপা, দ্রগ চাউনা ললোনবা, মী ফারগা শেলগা মনতিক্লবনচিংবনি।

(৪) ক্রাইম এগেনষ্ট পার্সন এন্দ প্রোপর্টি ঃ ক্রাইম মখল অসি ভাইওলেন্স য়াওবা য়াম্না শাথিবা মখলগী ক্রাইম অমনি। মসিগী মনুংদা মীহাৎপা, ফমলানবা, পোৎ মুনবা খুদম ওইনা মণিপুরদা তত্তনা থোক্লিবা কাং (ভেহিকল) মুল্লগা অথৌবা (দ্রাইভর) মীওইদু হাৎপা তুপ্পা তৌবা, শেল, পোৎ চৈ মুনবা অসিনচিংবনি।

(৫) জুভেনাইল দেলিনক্বেন্সি ঃ চহী তরাতরুক্কী মখাদা লৈবা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংনা হায়বা ইন্দদুনা ময়াম্না তৌনদবা থবকশিং তৌবদুবু খঙনগনি। করম্বা মতমদা ঐখোয়না অঙাং অমবু জুবেনাইল দেলিনক্বেন্সিগী মনুং চল্লি হায়বা য়াই হায়রবদি করিগুম্বা -

(এ) মমা-মপাগী অয়াবা য়াওদনা ময়ূমদগী চেনখিবা।

(বি) মমা-মপানা হায়বা ইন্দদুনা তত্তনা মওং তাদনা ঙাওশিন্নরবা।

(সী) অঙকপা ফংনা মতম মাঙহল্লবা।

(দি) মীমাঙ পুমাঙ নাইদনা ফত্তবা ৱাহৈশিং তত্তনা শীজিন্নরবা।

(ঈ) লম্বী সোরোক্তা কৈথেলদা, সিনেমা হোলদা অয়াম্বা মতমদা লৈরক্লবা।

(এফ) জ্বার শান্নফমশিং চৎপা হৌরক্লবা।

(জি) পোৎ হুরানবা অমদি নুপা নুপীগী মরী লৈনবা মরম কয়াদা চেন্নরক্লবদি নুপা নৎত্রগা নুপীমচাদু জুবেনাইল দেলিনক্বেন্ট হায়গনি। মসিসু ক্রাইমগী মশক অমনি।

**দেলিনক্বেন্সি ঃ** দেলিনক্বেন্সি অসি মহৌশাগা মান্নদবা থৌওং অমনি। করিগুম্বা মীওই অমনা মীয়াম্বু চৎনরিবা নুংতিগী ওইবা পুন্সিদগী থৈদোক্তুনা চৎপা হৌরক্লবদি মাগী লিচৎতু ঐখোয়না দেলিনক্বেন্সি ওইরে হায়না লৌগনি। অদুগা অঙাং অমনা হায়বদি চহী ১৪/১৫ মখানা খুন্নাইদা খুদোংথিবা য়াবা মওংগী থবক থৌরম ইতৎ তত্তনা তৌবা হৌরক্লবদি অদুগুম্বা নুপামচা নৎত্রগা নুপীমচাদুবু জুবেনাইল দেলিনক্বেন্সিগী মনুং চনগনি। জুবেনাইল দেলিনক্বেন্সি অসি ঙসিদি ইন্দষ্ট্রিএলাইজেসন অমসুং অর্বানাইজেসনগী অয়ৌবী থাক য়ৌরবা লৈবাকশিংদদি অচৌবা চৈনা অমমম ওইনরবনি। লোয়ননা মণিপুরদসু থোকপা উরে। জুবেনাইল দেলিনক্বেন্সিনা খুন্নাই সিগী তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবশিংগী পুন্সিবু মাঙহন তাকহনবনা মসিবু মরুওইনা নৈনজরি।

**জুবেনাইল দেলিনক্বেন্সিগী হৌরকফমশিং ঃ**

দেলিনক্বেন্টগী লমচৎ (বিহেবিয়র) অসিগী হৌরকফম য়াম্মী, খরা পল্লবদা ফত্তবা মীওই তিন্নরকপা, মপূং মরৈ ফারকপগী লৈতাদবা, পূক্নিংগী অমদি ৱাখলগী চয়েৎনবা লৈরকপদগী, খুন্নাইগী চৎন-পথাপনা য়াম্না হকচিন্না ফাজিন পূনশিনবদগী ওইরকপা, ময়াম্না তৌনদবা তৌবা পাম্বদগী, সিনেমা-দ্রামাদা উরুবদগী, লাইরিক লাইশু তম্বদা অপেনবা পেন্দবা হৈনীংদবা পোল্লকপদগী, অহাংবা মতম অমদি পোত্থাবগী মতম য়াম্না ফংলকপদগী, নাতৈ চাবা য়ূমলৈ কৈরৈ লৈতবদগী, তন্লিবা শিনফমদা চানবা ৱাৎলকপদগী, খঙহৌদনা ৱাখল খলহৌবা ঙমদবদগী, হকচাংগী তোঙান তোঙানবা ফীভমশিংদগী ওইরকপনচিংবা।

মথক্তা পীরিবা জুবেনাইল দেলিনক্বেন্সিগী হৌরকফমশিং অসি অচৌবা মরম অনীনা ওইহনবা য়াই মদুদি সোসিএল ফেক্টর খেন্নবদগী ওইবা মরম পার্সনেলিটি ফেক্টর।

**খুন্নাইগী ওইবা (সোসিএল ফেক্টর) মরমশিংদি ঃ**

১। মমা-মপা ইমুং মনুং কাইনদুনা লৈবা।

২। লায়রবদগী দেলিনক্বেন্ট ওইরকপা।

৩। লৈরিবা মফমদু দেলিনক্বেন্টকী মফম ওইনা তৌবা।

৪। ফত্তবা শঙ্গ অমদি ফত্তবা মীওইশিংনা কাঙলুপ শেমদুনা লৈবশিংনা ওইহনবা।

**পার্সনেলিটি ফেক্টর (ইশাগী ওইবা মরমশিং) ঃ**

১) ৱাখল খন্থবা ঙম্বগী চাং পোল্লকপদগী ৱাৎলকপা।

২) মী অদুগী পূক্নিংগী ওইবা লৈতাদবা ফীভমশিং অসিনচিংবনি।

**জুবেনাইল দেলিনক্বেন্সি থিংবা ঙম্নবা করি থৌদাং পায়খৎকনিঃ**

১। লৈঙাক অমসুং এন জি ওশিংবু দেলিনক্বেন্সি থিংবগী থবক চঙশিনবা, পূক্নিং থৌগৎপা।

২। দেলিনক্বেন্সি থিংনবা চঙশিল্লিবা মীওইশিং মতিক চাবা লৌশিং লৈহনবা।

৩। অঙাংশিংগীদমক অফবা পাউতাক শঙলেন হাংদোক্তুনা তপথদ্রবা অমদি চাশিন্নবা ৱাৎলবা অঙাংশিংবু মতিক চাবা ৱাখলগী লায়েং অমদি লমজিং লমতাকপীবা।

৪। দেলিনক্বেন্ট ওইরবা অঙাংশিংগী ইমুং মনুংদা করম্না অঙাং লোইনগনি হায়বদু তাকপীবা।

৫) খুন্নাইগী লৈরিবশিং লূপশিংগী খুথাংদা অঙাংশিংগী পোথানবা অমদি নুংঙাইহনবা য়াবা ফীভমদা শেম্বীবা।

৬) খ্বাইদগী শোত্থহৌরবা কাঙলুপশিংদা মতিক চাবা মতেং পীদুনা অফবা লমচৎ অমদি ৱায়েনলোন থুগাইদনবা ফীভম শেম্বীবা।

৭) রেদিও, সিনেমা, টেলিভিজন, পাউচে, চেফোঙশিংগী খুথাংদা প্রোপেগন্দা তৌদুনা ৱায়েনলোন থুগাইবা হায়বসি কয়াম লানবগে অমদি ৱায়েনলোন ঙাকপনা কদাইফাওবা ইকায়খুম্নগে হায়বনচিংবা উহনবা।

৮) খুন্নাইগী ওইবা অকোয়বগী ফীভমশিং ফগৎহনবা হায়বসি ৱাখল তাদবা, য়ূমলৈ কৈরৈ ফগৎহনবা, খূৎলিংদুনা জ্বার শান্নহনবা মুখৎপা।

৯) দেলিনক্বেন্ট ওইরকপা য়াবা মহৈরোয়শিং খন্দোক্তুনা মতিক চাবা লায়েং পীবা।

১০) লায়রবা অমদি চাক্লিবা লৈহনদবা লৈঙাক্লা শেনমিৎলোন অমদি মীয়ামগী হিংবগী থাক ৱাংখৎহনবা।

# চহী নৌরিবা নুপীদা থোকপা ক্রাইমশিংগী হৌরকফম নৈনবা

## শৌগাইজম লাইঙম

***হৌজিক*** হৌজিক ঙাইহাক লৈতনা নুপীনা ভিক্তিম ওইবা ক্রাইমশিং থোক্লিবা অসি ঙল্লিঙৈদা নৈনহৌবা য়াম্নমক তঙাইফদবা হীরম অমা ওইরক্লি। হন্দক্তা ককচীং ইরেংবনদা ক্লাস টুয়েল্ভ থাগদৌবা নুপীমচা অমা পুখ্রিদা তাদুনা শিরম্মে হায়রিবা অসি তাবদা য়াম্না নুংঙাইতে। হেন্না নুংঙাইত্রিবনা পোকপা কুইদ্রিবা অঙাং অমসু য়াওরম্মী হায়বসিনি। হেক তাবদা মীয়ামগী ৱাখলদা লাক্লিবসি অতৈ নত্তে নুপীমচাসি লৈশা লৈশানা মীরোনবা অমদি অঙাংগী মপাদুনা মহাকপু লৌশিনদবসিনি।

ইস্যু অসিগী হৌরকফম অমা খঙলগদি মসি য়াম্না লায়না সোল্ভ তৌবা ঙমগনি অদুনা ইস্যু অসিগী হৌরকফম থিদোকপা অমা মথৌ তাই।

**হৌরকফমশিং অদুদি ঃ**

- ঙল্লিঙৈ মতমদৈ নুপা নুপী খঙনদবা/নুংশিনদবা নৎত্রগা কোয়নদবা য়াদে হায়দনা থম্মাইসনখিবা।

ৱারেংদা, শৈরেংদা, ফিল্মদা, দ্রামাদা উৎলিবা মতমসিগী ৱারীশিংদা হেরোগা হেরোইনগা চহী নৌরিঙৈদৈ লোইনরক্তুনা নুংশিনরকপা হায় স্কুল, হায়র সেকেন্দরিগী নুংশি ৱারী ঙাক্তা; কোলেজ-য়ুনিভর্সিটিদি শুমাং লীলাদৈ ফিল্মদা তারকপা কুইদ্রিব্রা খল্লি। পীক্লিবা অঙাংশিংসি হায়নরুবা তৌদনা ফিল্মগী হেরো নৎত্রগা হেরোইনগী মতৌ হেক্তা তমগল্লি। নোংমদি মখোয় শোয়দনা লুহোংগনি হায়বৈ ৱাখল অমা অদুম লৈ। শুংশোয় শোয়দনা নুপা অমা নুপী অমদি থিদবা য়াদবদৌনা মখোয়গী কোক্তা চুশিন্দুনা লৈহল্লি। মসিমক্লা মখোয়না য়াম্না ঙন্না নুংশি নুংওনগী মরী থল্লিবনি।

- মপা চাদনা চাওখৎলবা খুন্নাইগী মতৌ তম্বা ঃ

সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অসুক্কী মতিক চাওখৎলে হায়নবা লৈরিদুনি টি ভি নৎত্রগা খূৎশেমগী মঙাল নৎত্রগা ভি দি ও গেমনচিংবদা হেন্না মতম লৌবা অঙাংসিদা Puberty গী চহী হেন্না ঙনখৎলকই। (য়ুনিভর্সিটি ওফ ফ্লোরেন্স ইন ইটালিগী সাইন্টিষ্টশিংগী ষ্টদিগী মতুং ইন্না)। অদুগা অমনা হৌজিক মতমগী অঙাংশিং অসি টেক্নোলোজিগী মতেংনা য়েংহৈদবা উহৈদবা ময়াম অমসু য়াম লায়না উবা ফংলে। মতাংসিদা ৱারী অমা নীংশিংলকই। ঐখোয় ববানা হায়বনি 'নুপীগা লোইনগনু' মতাং চাদনা নুপীগা সুম লোয়ন-তিন্নরক্লদি মাঙজবা কয়ামরুম লাকই, মতম অমদা চিঠিদা পাউ ফাওনরম্বা হৌজিক্তি instant msging vdo call লৈরিবা ময়ামশিং অসিনা লান্না শীজিন্নবদৈ লমচৎ মাঙথহল্লকপগী চাউরবা মরম অমনি।

- অদুগা অরোইবা য়াম্না মরুওইরিবা সেক্স এদ্যুকেসন অসিনি।

মথক্কী মরম অনীসি লৈজরগসু সেক্স এদ্যুকেসনগী মঙাল ফজনা লৈরগদি হেন্না মায় খুবা থৌদোকশিংদগী কনবা ঙমগনি খল্লি অদুবু মণিপুরদদি সেক্স এদ্যুকেসনসি মওং তাদ্রে। থায়না মণিপুর বোর্দকী ক্লাস আইট নৎত্রগা নাইনদা এদোলেসেন্টকী পাড়াশিং থেংনহৌবিবা ময়াম নীংশিংনরমগনি। স্কুলদা বাইওলোজি সবজেক্ট অয়াম্বনা ওজা নুপী ওইগল্লি। ঐখোয়গী স্কুলদসু ওই। এদোলেসেন্টকী মতাং য়ৌশিল্লকপসিদা খরা শাথিবা মহৈরোয়শিংনা কিবা ওজা অমনা তাক্লকই। মাসু তাকই হায়বা খকনি । ময়েক শেংনা হায়বা য়াদবা পাড়া কয়াসু য়াওদবা নত্তে। মরম অসিনা মহৈরোয়শিংদদি মমুৎ তানা তাকপীরমদ্রে, ইকায় হঙ্গোইবনা। অসুম্না সেক্স এদ্যুকেসন তাক্লম্লগবু মহৈরোয়শিংদুনা কয়াম খঙলমদোইনো অদুগা মথক্তা পীজখিবা পোইন্ট অনীসিগী ফীভমগা সেক্স এদ্যুকেসনগী মঙালনগা ৱাৎপগা ৱাখল ফাদবা ঙমদবা অঙাংশিংদি অদুম লুখাক কোমলোমদা কুমখ্রে।

## মরোল থোকপা লাই




# অফবা অওনবা খুন্নাই অমগীদমক মহৈ-মশীন তম্বদা মায় ওনশিনসি

## টি ঐচ রঞ্জিৎ

***মণিপুর*** নোর্থ ইষ্ট রিজন (এন ঈ আর) গী মনুংদা হীরম অয়াম্বদা য়াম্না শোত্থরিবা ষ্টেট অমনি অদুগা এন ঈ আর হায়বসিসু অমুক মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী মনুং চনদ্রিবা তৌইগুম্বসুং চাওখৎলিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লমশিংগী মনুংদা অমনি হায়বসি পূন্নমক্লা য়ানৈ। শম্না হায়রবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসি হীরম অয়াম্বদা ইনিদয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদগী শোত্থনা অৱা-অনা, অৱাৎ-অপা, ৱাথোক-লান্থোক, হুরান-চিন্থি, শেঙ্গা-থুমজা, লৈত-লায়র অসিনচিংবা কয়া অসিনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী লৈতেং ওইরি। পূন্নমক অসি ঐখোয়গী লৈরিবা মহৈ মশীনগী থাক অমদি শেল থুমগী ফীভমগা মরী লৈনৈ। ঐখোয়গী খুন্নাইদা লৈরিবা অনাবশিং অসি কোকহনসি অমদি অচৌবা, অফবা, অওনবা অমা শোয়দনা/তঙাইফদনা পুরকসি হায়রবদি এদ্যুকেসন্না ঙমগনি অতৈ পাম্বৈনা ঙমলোই হায়জনীংই।

মালেমগী ফাওখিবা, খা অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা ভারত রত্না অমদি নোবেল প্রাইজ পীদুনা ইকায়খুম্নখিবা গান্ধিয়ান, ডা. নেলসন মন্দেলানা হায়রম্মী মদুদি "এদ্যুকেসন ইজ দ মোষ্ট পৱরফুল ৱেপন ৱিচ য়ু কেন য়ুজ টু চেঞ্জ দ ৱর্ল্ড" হৌজিক মণিপুরদা ঐখোয়না থেংনরিবা অৱা অনাশিং, অৱাৎ-অপাশিং অসি কোকহনসি হায়রবদি মহৈ-মশীনদা খুন্নাই অসিগী লৈরিবা মতিক চারবা মহৈ-মশীন হৈরবা, অফ-ফত্ত খঙলবা (সেন্সিবল সিটিজন) মীওইশিংনা পূন্না থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই, লৈরিবা লৈঙাকখক্তদা ইন্থোকপা চুমলোই। ঐখোয়না খঙলে, উরে মদুদি মণিপুর লৈঙাক্লা মতম অমদা তঙাইফদনা লিংখৎখিবা প্রাইমারি, অপ্পর প্রাইমারি, জুনিয়র হায়স্কুল, হায় স্কুল অমদি হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিং হৌজিক নোংমা নোংমগী মশীং হন্থরক্লি, মুৎশিল্লক্লি। মসিদা লৈঙাক্লা অমদি মীয়াম্না করিসু নাচুংবিদবা, থৌওই ৱাওইদবা ওইনা উই অদুগা অমরোমদনা প্রাইভেট স্কুলশিং চেঙগুম শৌবগুম লিংখৎলকপদদি হরাউনবগুম, থাগৎনবগুম তৌই। মসিদা নত্তনা প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিংনা ইংলিসতা তম্বীবদগী অমদি মহৈরোয়শিংনা ইংলিস ঙাঙবদগী হেন্না মতিক চাবা অদুগা লৈঙাক্কীনা মতিক চাদবা ওইনসু লৌনরি। তশেংবদি মণিপুরদা মহৈ-মশীন তম্বগী লমদা শোত্থরক্লিবা অসিদি ফনা য়াম্না কুইরে। চাওরাক্লা চহী ১৫/২০ গী মমাঙদা মতমদুগী পানখিবা লৈঙাক্লা মরম অমা নৎত্রগা অমদগী লৈঙাক্কী স্কুলশিং য়েংশিনবা ৱাৎখিবা, স্কুলগী ওজাশিংনা মথৌ নিংথিনা তৌখিদবা কয়াশিং, মমা-মপা, মীয়াম অমদি মহৈরোয়শিংনা খঙলকপা, উরকপা, মেত্রিক পরিক্ষাদা তপ্না তপ্না লৈঙাক্কী স্কুলশিং ফেল য়াম্না ওইরকপা অমসুং পোজিসন ২০ গী মনুংদা চনবা ঙম্লক্তবা অসিনচিংবা কয়াশিং অসিনা লৈঙাক্কী স্কুলশিং শিথরক্লে হায়বগী লায়রবা খুদমনি হায়না মীয়াম্না লৌনখি, খঙনখি।

লৈঙাক্কী স্কুলদা ক্লাস ৱান্দগী আইট ফাওবা ফ্রী এদ্যুকেসন পীরি হায়বদি মিংজনশেল লৌদবা, থাগী ট্যুসন ফী লৌদবা, লেম্না স্কুল য়ুনিফোর্ম পীবা, লেম্না লাইরিক পীবা অমসুং মিদ-দে-মিল পীবা অসিনি। অদুগা মথক্কী অৱাংবা ক্লাসশিংদসু য়ামদবা থাক্তা মিংজলশেল, থাগী ফীনচিংবা লৌই। হায়রিবা লৈঙাক্কী স্কুলদা ফংলিবা খুদোংচাবশিং অসি প্রাইভেট স্কুলশিংগা য়েংনবদদি য়াম্না খেন্নখ্রে। প্রাইভেট স্কুলশিংদা মমা-মপা অমদি মহৈরোয়শিংনা য়াম্না পাম্না তম্নবগী অচৌবা মরমদি দিসিপ্লিন নিংথিনা তম্বীবা, স্কুলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর নিংথিনা নৎত্রগা চৎনবা য়াবা থাক্তা থম্বীবা, ওজাশিংনা ইংলিস ঙাঙবা পাম্বা, মহৈরোয়শিংবু চেকশিন্না শেন্নবা, মমা-মপাশিংনা মচাশিং মরম খরা অসিনা পৈশা লৈত্রবসু শেনথোক ৱাৎলবসু মচা শেমদবা য়াদে হায়বা ৱাখলনা লমজিংদুনা অতাংবা ইংলিসনা তম্বীবা প্রাইভেট স্কুলশিংদা নম্না থানরিবনি। তপ্না তপ্না মনিং হল্লক্লিবা, শেল থুমগী ফীভম হায়নীংঙাই লৈতনা শোকচিল্লক্লিবা, শুফম নোমফম লৈশিল্লক্ত্রিবা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা মমা-মপা ওইবা কয়া লায়রবগী লায়নানা নাবদগী মচা মশুশিং প্রাইভেট স্কুলশিংদা তমহনবা ঙমনদবা কয়া য়াওরে। স্কুলগী ভেন ভারা, মিংজল শেল, থাগী ট্যুসন ফী, স্কুলগী য়ুনিফোর্ম অমদি অতৈ অতৈ ... মহৈ মশীন তম্বগা মরী লৈনবশিংদা চঙবা মমল পুবা থাংবা ঙমদবদগী প্রাইভেট স্কুল থাদোক্তুনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা তম্নবা য়াওরে নৎত্রগনা লাইরিক তম্বা তোক্লবা য়াওরে। হায়রিবা মহৈ তমদ্রবা (দ্রোপ আউট) শিং অসিনা মশীং অসুম অসুম হেনগৎলক্লবদি ঐখোয়গী খুন্নাইদা অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্লবা য়াই। অদুগা করিগুম্বা লৈঙাক্লা লিংখৎখিবা স্কুলশিং অসিনা নিংথিনা মপূং ফানা চত্থবা ওইরম্লবদি মমা-মপা কয়া লায়রবগী অৱাবা নংলমদবসু য়াই অমদি প্রাইভেট স্কুলশিংদগী দ্রোপ আউট তৌরকপা মহৈরোয়শিং মখোয়গী চঙজফম লৈঙাক্কী স্কুল পীরম্বা য়াই। করিগুম্বা স্কুলশিংগী হান্নগী মহৈরোয়শিং, হৌজিক্কী ওজাশিং, লৈকায়গী মীওইশিংনা মরুওইনা শেম্বা স্কুল দিভলপমেন্ট/মেনেজমেন্ট কম্মিটি কৌবা অমমম শেমদুনা স্কুলশিংগী অৱাৎ অপাশিং - ওজানা স্কুল কাবা কাদবা, ক্লাস লৌবা লৌদবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর শুবা-শুদবা অসিনচিংবা তৌবা য়াবশিং তৌরবদি লৈঙাক্কী স্কুলশিং শোয়দনা চহী ৫/১০ দা মমাঙঙৈদা চহী ২০-৩০ গী মতমদা লৈরম্বা ফীভমদা অমুক হঞ্জিল্লক্কনি হায়জনীংই।

লৈঙাক্লসু স্কুল য়েংশিন্নবগী থল্লিবা স্কুল ইন্সপেক্টরশিংসু স্কুলশিং ইন্সপেক্সন রুটিন নাইনা তৌহল্লবদি অমুক্কসু মশক থোকপা হেন্দুনা মীয়াম্না মচা-মশুশিং লৈঙাক্কী স্কুলদা মশীং য়াম্না থারক্কনি অমদি মহৈরোয় মশীং য়ামদবদগী থৱায় ৱানা লাইরিক তাকনীংনা লৈরিবা ওজাশিং মপানগী লমদা অয়াম্বা তমদুনা মহৈ-মশীন য়াম্না হৈরবা প্রাইভেট স্কুলশিংদা হান্না ওজা ওইরম্বশিং, অরিবা ওজাশিং পোত্থাখিদুনা নৌনা ওজাগী শিনফমদা পামদুনা চঙলকপশিং য়াম্না হরাওনগনি। মসিগী মহয় ওইনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী মগুন হেল্লক্তুনা মণিপুরদা অচৌবা অফবা অওনবা অমা লাক্কনি। অসুম তৌরবদি শেল থুমগী চৈথেং নংলবা মমা-মপাশিংগী মফমদা য়াম্না চাউবা পোৎলুম অমা থাংথবা ওইনা থোক্কনি, হরাউনগনি।

লৈঙাক্কী স্কুলশিং মায় পাকহনসি হায়না খল্লবদি অন্দ্রো কেন্দ্রদা ওনরেবল এম এল এ টি ঐচ শ্যামকুমার সিংহনা মায় পাক্লা চত্থরিবা শিরুম নারুম তৌরবা, শিরুরবা/মুৎলুরবা, ফীভম চাদ্রবা লৈঙাক্কী স্কুলশিং শেমগৎ-শাগৎতুনা, থৱায় হাপ্পীদুনা মশক নাইবা লৈঙাক্কী স্কুলশিং ওইহনবা, থবকশিং য়েংহঞ্জনীংই। মফম অসিদদি লৈঙাক্কী স্কুলদা মীং চন্নবগী হোৎনবদা অৱাবগী মশকনি। মসি ওনরেবল এম এলগী তোমথিন ওইবা, লেমজনীংঙাই ওইবা খুদোলনি। মসি মহাক্কী খুন্নাই শেমগৎনবগী চঙশিল্লকপা মায় পাকপা খোঙজংনি। টুরিজম অমদি ইনভাইরোনমেন্টকী মায়কৈদসু ওনরেবল এম এল এগী অচৌবা কন্ত্রিব্যুসন তৌবা কয়া অসিনা মীয়াম্না মহাকপু য়াই, থাজৈ। অন্দ্রো কেন্দ্রদা মহৈ-মশীন তমফমশঙশিং শেমগৎলিবা অসিগুম্না ঐখোয়গী নৌনা এম এল এ ওইরক্লবশিংনা এদ্যুকেসন্দা মায় ওনশিন্দুনা শেমগৎ শাগৎপীরবদি মণিপুরদা অচৌবা, অফবা অওনবা অমা শোয়দনা লাক্কনি অমদি অনৌবা লৈঙাক অসিগী এজেন্দাদা মসিসু হাপচিলহঞ্জনীংই।